# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SUNDAY, FEBRUARY 17, 2019 PAGE 7**




*কাটার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সকা লম্বা তৌনগদৌরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ*



*নেদরলেন্দসতা চথরিবা রোট্টরদাম টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা কানাদাগী সাপোভালোভ থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙ্খ্রবা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱোরিনকা*

# অজলান সাহ কপকী মাঙওইননা শান্নরোই ৩৪ খনগৎপদা মণিপুরগী চিংলেনসন্না, কোথাজিৎ অমদি নিলকান্ত য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

মালেসিয়াগী সিটি ইপোদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী অহানবা হোক্কী টুর্নামেন্ট সুল্টান অজলান সাহ কপকী মাঙওইননা পাঙথোক্কদবা নেসনেল কেম্পকী শান্নরোই ৩৪ খনগৎপদা মণিপুরদগী কাঙুজম চিংলেনসন্না, কোথাজিৎ সিংহ কদাংবম অমদি নিলকান্ত শর্ম্মগী মমিং য়াওখ্রে।



*চিংলেনসন্না*



*কোথাজিৎ*



*নিলকান্ত*

নেসনেল কেম্প অসি থা অসিগী ১৮দগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মার্চকী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা হোক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোই ১৮সু শরুক য়ারি।

জুনিয়র হোক্কী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ্তা সিলভর মেডল ফংলকখ্রবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমগী শান্নরোইশিংনা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল হোক্কী কেম্প অসিদা শরুক য়াদুনা সেনিয়র লেবেলদা পুখৎনবা হোৎনগনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

২৮শুবা সুল্টান অজলান সাহ কপ্তা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নুপা হোক্কী টিমগী সেলেক্সন শান্নরোই ৩৪ গী কোর গ্রুপ অসিদগী মনুংদগী ফেব্রুৱারিগী অরোইবা চয়োলদা খনগৎকনি হায়রি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী হায় পার্ফোমেন্স দিরেক্তর দেবিদ জোননা ফোঙদোকখিবদা চথগদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিদা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং শরুক য়াবদা মহাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। সেনিয়র নেসনেল কেম্প অসিনা ইন্দিয়াগী হোক্কী শান্নরোইশিংদা অহেনবা এক্সপরিয়েন্স পীরগনি হায়নসু দেবিদ জোননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফেব্রুৱারি ১৮ দগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোই ৩৪ অদুদিঃ–

গোলকিপরদা পি আর শ্রিজেস, সুরজ কারকেরা অমদি কৃষ্ণন বহাদুর পাথকনি। দিফেন্দরদা হর্মনপ্রিত সিংহ, গুরিন্দর সিংহ, ভরুন কুমার, কোথাজিৎ সিংহ কদাংবম, সুরেন্দর কুমার, অমিট রোহিদাস, জর্মনপ্রিত সিংহ, পরদিপ সিংহ, সুমন বেক, মন্দিপ মোর, বিরেন্দ্র লাক্রা অমসুং রুপিন্দর পাল সিংহনি।

মিডফিল্ডরদা মনপ্রিত সিংহ, চিংলেনসন্না সিংহ কাঙুজম, সুমিত, সিমরনজিৎ সিংহ, নিলকান্ত শর্ম্ম, হর্দিক সিংহ, ললিৎ কুমার উপাধে, ভিভেক সাগর প্রসাদ, য়াসদিপ সিৱেক অমদি ভিসাল অন্টিলনি।

ফোরৱোর্দতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি অকাসদিপ সিংহ, রমনদিপ সিংহ, গুরজান্ট সিংহ, মন্দিপ সিংহ, দিলপ্রিত সিংহ, সুমিত কুমার, গুরসাবজিৎ সিংহ সিলান্দ লাক্রা অমদি এস ভি সুনিলনি।

## *সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ*

# সাইনা অমদি সৌরবনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা চথরকপা ৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা সাইনা নেহৱালনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদুগা সৌরভ ভর্মনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।





*নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন সাইনা নেহৱাল (ওই) অমদি নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন সৌরভ ভর্ম*

সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধুবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা মহাক্কী ৪রকশুবা নেসনেল টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা সাইনা অমসুং সিন্ধুগী মায়কৈদগী হৌবদগী হৌনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্কদুনা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা সাইনা নেহৱালনা ফজবা খরা হেনখিবদগী সিন্ধুবু ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স অমদি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী ফাইনেল মেটচশিংদা সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধুবু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা মাঙজিল থারবা সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা গেমদা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী পি ভি সিন্ধুবু ইৱা ৱাদনা ২১–১৫ দা থোইদুনা সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনীরকশুবা টাইটল লৌখ্রবা সৌরভ ভর্মনা লক্ষ্য সেনবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা অহুম্লকশুবা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখ্রবসু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সৌরভ ভর্মনা লক্ষ্য সেনবু য়াম্না নক্কবা স্কোর ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম শান্নরকপদা সৌরভ ভর্মনা পোইন্ট ৩–০ দা হেন্দুনা লৈরম্বা অদু লক্ষ্য সেননা ফজনা শান্নরক্তুনা ৪–৪ দা মান্নহনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপদা লক্ষ্য সেনগী মায়কৈদগী অশোয়বা খরা লৈখিবা অদু সৌরভনা খুদোংচাবা লৌবা হানখিবদগী গেম অদু য়াম্না লায়না ২১–১৩ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী কুমজা ২০১৭ গী ইদিসনদা সৌরভ ভর্মনা লক্ষ্য সেনবু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখিবনি।

৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ পেয়র প্রনভ জেরি চোপ্রা অমদি চিরাগ সেথিনা অহানবা সিদেদ পেয়র আর্জুন শ্লোক অমদি শ্লোক রামচন্দ্রনবু মিনট ৩৩ চঙনা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব সোলানকি, নিখট জারিন অমদি অনকুস দাহিয়া ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিংদা মায় পাক্লি

*সোফিয়া, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা চথরিবা ৭০শুবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব সোলানকি, নিখট জারিন অমদি অনকুস দাহিয়া মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫২ গী কাঙলূপ্তা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী গৌরব সোলানকিনা অমেরিকাগী বোক্সর অব্রাহম পেরেজবু মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী বোক্সর অনভার মুজাপারোভকা থিন্নরগনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর গৌরভ সোলানকি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপন অমদি কেমেষ্ট্রি কপকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি থিন্নখিবা নুপীগী কেজি ৫১ গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মমাঙদা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী ইন্দিয়াগী নিখট জারিননা ইটালিগী বোক্সর গিওভানা মারসিজবু মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলারসকী য়ানা বুরিমগা থিন্নরগনি।

উলান বাটর কপ্তা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর অনকুস দাহিয়ানা কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা অজরবাইজানগী বোক্সর সরখান আলিয়েভপু মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মেসেদোনিয়ান বোক্সর জাসিন লজামাগা থিন্নরগনি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী গৌরভ বিধুরি কেজি ৬৫ গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াবদা অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক বলগেরিয়াগী বোক্সর ইমান্যুইলগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিতু (কেজি ৭৫), নুপুর (কেজি ৭৫) অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী সিজনদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল ২গা লোয়ননা পুন্না মেডল ১১ ফংবা ঙমখি। চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক ৪০ হেনবদগী লাকপা বোক্সর ৩০০গী মথক্তা লম্বা তৌনরি।

# ইটালিগী সেরি এদা জুবেন্টসনা ফ্রোসিনোনবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, বুন্দেসলীগাদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঔগসবর্গপু ৩–২ দা থোইখ্রে

*রোম। বর্লিন, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ২৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা জুবেন্টসনা ফ্রোসিনোনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, জর্মনিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঔগসবর্গপু ৩–২ দা থোইখ্রে।





*সেরি এগী মেটচ অমদা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা ফ্রোসিনোনগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

জুবেন্টস অমদি ফ্রোসিনোননা শান্নখিবা সেরি এগী মেটচ অদুগী ৬শবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোই পাওলো দিবালানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী অতোপ্পা শান্নরোই লিওনার্দো বোনুকিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা জুবেন্টসতা শরুক য়ারিবা পোর্টুগালমচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচ লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাক্তুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৬৬ ফংদুনা মকোক ওইদুনা চৎখি।

জর্মনিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঔগসবর্গপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইরমখি।

মেটচকী অহানবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোই লিওন গোরেটজকানা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা ঔগসবর্গনা মাঙজিল থাখি। ১৭শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই কিংসলি কোমাননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নহনখি। ২৩শুবা মিনটতা ঔগসবর্গকী শান্নরোই জিদোং ৱোননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কিংসলি কোমাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই দেভিদ অলাবানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–২ দা মায় পাকখি।

স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাদা গেটাফে অমদি ঐবার পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি। গেটাফেগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা জাইমে মাটানা অহানবা অদুগা ৫২শুবা মিনটতা টিমমেট দিমিত্রিনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখি। ঐবারগী পাঞ্জলশিং অদু ৬৭শুবা মিনটতা পেনাল্টিদা চার্লিসনা অহানবা অদুগা ৮০শুবা মিনটতা চার্লিসনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–২ দা দ্রো চৎখি।

# মোহন বগান মায় পাকখ্রে, ইন্দিয়ান এরোজ অমদি গোকুলাম দ্রো চৎখ্রে

*আইজোল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মোহন বগাননা আইজোল এফসিবু ২–১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইন্দিয়ান এরোজ অমদি গোকুলাম পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

আইজোলদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা আইজোল এফসি অমদি মোহন বগাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি।

শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা হেনরি কিসেক্কানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথরিবা আইজোল এফসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অস্যুমান ক্রোমাহনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা মোহন বগানগী এটেক অমদা বিক্রমজিৎ সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মোহন বগাননা আইজোল এফসিবু মায়থিবা পীরমখি।

হেরো আই লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়ান এরোজ অমদি গোকুলাম পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাহুল কে পিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা গোকুলামগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মার্কস জোসেফনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

**ক্রোসৱার্দ ৭৫ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | I | M | E | | H | A | R | S | H | | L | A | S | S |
| I | D | O | L | | A | L | O | H | A | | E | L | L | E |
| N | E | I | L | | R | E | V | E | L | A | T | I | O | N |
| G | A | S | | H | E | R | E | | O | C | T | E | T | S |
| | | T | R | U | S | T | | | | T | E | N | S | E |
| S | H | E | E | N | | | S | E | W | E | R | | | |
| P | I | N | A | T | A | | H | E | A | D | | C | B | S |
| E | V | E | R | | L | E | E | R | Y | | C | L | A | P |
| W | E | D | | R | A | G | E | | S | A | H | A | R | A |
| | | | A | E | S | O | P | | | R | I | S | E | S |
| S | C | A | L | P | | | | E | P | I | C | S | | |
| P | A | S | T | O | R | | A | M | I | D | | R | A | T |
| I | M | P | A | T | I | E | N | C | E | | N | O | N | E |
| N | E | E | R | | O | U | T | E | R | | B | O | N | E |
| E | O | N | S | | T | R | E | E | S | | A | M | E | N |


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**TOWN PLANNING DEPARTMENT**

Imphal, the 16th February, 2019

No. 6/6/2019-TP

**REQUEST FOR PROPOSAL**

The State Mission Director, PMAY(U)/ Chief Town Planner, Town Planning Department, Manipur intends to engage an Agency for research and documentation of two to three best practices in the construction of the houses constructed/implementation under Pradhan Mantri Awas Yojana – Housing for All (urban) implemented by the Urban Local Bodies of Manipur which can be used in programme implementation, training or in IEC for further improvement. Technical and financial proposals are invited from Consultancy Firms as per RFP document to select an agency. The scope of work, instruction to the agencies, eligibility criteria and prescribed format etc. may be downloaded from the website **www.muda.mn.gov.in** and **https://manipur.gov.in**

The proposal complete in every respect may be delivered to the undersigned by Post/Courier/Registered Post or through special messenger on or before **15:00 hrs of 27.02.2019** in a sealed envelope super scribed with **"RFP-RDA PMAY (Manipur)"**. Submission of proposal through other mode will not be accepted. Documents received after the above mentioned date will not be entertained. The State Mission Directorate/ Town Planning Department will not be responsible for any delay/postal delay or bids lost/ damaged in transit in receiving the proposal.

Sd/-
(Y. Narmada Devi)
Chief Town Planner
Town Planning Department

*SL/BILL (DIPR)/17*



**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICKSAMPLE

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

*SL/1198/Alt.50 days*